# ২৮শুবা গভর্নরস কপ ইনভাইটেসন অমসুং ১৭শুবা ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট এম পি এস সি (বি)গা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবকা ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল , মার্চ ২৮ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিল্লগা টিম ১৪না শরুক য়ারগা নোক আউৎ বেসিসতা মপাল কাংজৈবুং দা চথরিবা ২৮শুবা গভর্নরস কপ ইনভাইতেসন অমসুং ১৭শুবা গভর্নরস কপ ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সি (বি)না এম পি এস সি (এ)বু পানজল ৮–৫দা অমদি অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা এক্স পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪–৩দা মায়থিব পিখ্রে। ফাইনেলদা এম পি এস সি (বি)গা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবকা লম্বা থেংনরগনি। ঙসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সি (এ)গা এম পি এস সি (বি)গা শান্নবদা মায় পাক্লবা এম পি এস সি (বি) গী পাঞ্জলশিং টি প্রদিপকুমারনা অহানবা চক্করগী মিনট ২.১২, ৪.৫৪, অনিশুবা চক্করগী মিনট ৭.২২ অমদি অহুমশুবা চক্করগী মিনট ১.০১দা পাঞ্জল ৪, টিম কেপ্তেন এম জৱাননা অহানবা চক্করগী মিনট ৩.০৭ অমদি মরিশুবা চক্করগী মিনট ৬.৪৭ চৎপদা পাঞ্জল ২, ঐচ অবুং খুমন অহানবা চক্করগী মিনট ৬.০৪ চৎপদা পাঞ্জল ১ অমদি ও সুরেসনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ৬.৩৪ চৎপদা পাঞ্জল ১গা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এম পি এস সি (এ)গী পাঞ্জলশিং টিঐচ রনজিৎনা অহানবা চক্করগী মিনট ৫.৩৮ অমদি অনিশুবা চক্করগী মিনট ৫.৩৩ চৎপদা পাঞ্জল ২, পি জোতিননা অনিশুবা চক্করগী মিনট ০.৫৪ চৎপদা পাঞ্জল ১ অমদি অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৫.৫০ চৎপদা পানজল ১গা চনখি। অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবকা এক্স পোলো ক্লবকা শান্নবদা মায় পাক্লবা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী পাঞ্জল ৪ এ বসন্তনা অনিশুবা চক্করগী মিনট ৭.১৯ অমসুং অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৪.৩০ চৎপদা পাঞ্জল ২ অমদি এল কোকেশ্বরনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ০.৩০ অমসুং ৭.২১ চৎপদা পাঞ্জল ২ অমগা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এক্স পোলো ক্লবকী পাঞ্জল ৩ পি ওজিৎনা অহানবা চক্করগী মিনট ৫.০৯ অমসুং অনিশুবা চক্করগী মিনট ৫.০৩ চৎপদা পাঞ্জল ২ অমদি টিঐচ জেকোবনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ১.১৬ চৎপদা পাঞ্জল ১গা চনখি।

# ২৪শুবা নেসনেল থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল , মার্চ ২৮ঃ থাং–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা হারিয়ানা থাং–তা এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ২৪শুবা নেসনেল থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা ডাঃ অহুজা, প্রসিদেন্ট ভারতিয়া মোদি আর্মি (এমদিএ), শ্রী হুইদ্রোম প্রেমকুমার, প্রসিদেন্ট ৱাৰ্ল্ড থাং–তা ফেদরেসন (দব্লিউটিটিএফ), গুরু প্রসদ জি, সেক্রেটরী জেনরেল ভারতিয়া মোদি আর্মি (বিএমএ), ডাঃ সকুন্তলা বেনিৱাল, দিপ্যুটি দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস, এমদি য়ুনিভর্সিটি, ডাঃ আর পি করন, অজুন এৱার্দি না চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি। হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী থাং–তা শান্নরোইশিংনা দিমোনস্ত্রেসন উৎখি।

# কৈরাও কেন্দ্র ইন্টিগ্রীটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওল্ড ষ্টার, ৱাই বি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৮ঃ কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা পুথোক্লগা উরূপ অরাপ্তি দিভলপমেন্ট কোওদির্নেটিং কম্মিটি (য়ুএদিসিওসি) মণিপুরনা শিন্দুনা টিম ১৯না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১৯দগী অরাপ্তি মখা লৈকায় কাংজৈবুং দা চথরিবা কৈরাও কেন্দ্র চীংমী–তম্মী ইন্টিগ্রীটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিদা ওল্ড ষ্টার ক্যামগৈ অমদি ৱাই বি সি লংদুম মায় পাকখ্রে। চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেটচতা য়ু ৱাই সি সি উরূপ অমদি ওল্ড ষ্টার ক্যামগৈ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ওল্ড ষ্টারনা য়াম্না লাকচনা গোল ১১–০দা য়ু ৱাই সি সিবু মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা ওল্ড ষ্টার ক্যামগৈগী গোলশিং প্রদিপকুমারনা মেটচকী মিনট ১০, ৩৭, ৪১ অমসুং চৎপদা ৪৪দা গোল ৪, প্রবিননা মেটচকী মিনট ১৩ অমসুং ১৭ চৎপদা গোল ২, কিরননা মেটচকী মিনট ১৪দা গোল ১, সনজুনা মেটচকী মিনট ২২ চৎপদা গোল ১, হেমজিৎনা মেটচকী মিনট ২৮দা গোল ১, বিপিননা মেটচকী মিনট ৪৭ তা গোল ১ অমদি রোবিনসননা মেটচকী মিনট ৪৯দা গোল ১গা চনখি।


অনিশুবা মেটচতা অমালদা (বি) অরাপ্তিগা ৱাই বি সি লংদুমগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ৱাই বি সিনা গোল ৬–১দা পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ৱাই বি সি লংদুমগী গোলশিং এ অমুজাওনা মেটচকী মিনট ৩দা গোল ১, সিঐচ ইবোচৌনা মেটচকী মিনট ১০, ১৫ অমসুং ২৮ চৎপদা গোল ৩ অমদি সিঐচ প্রিয়োৱর্টনা মেটচকী মিনট ১৪ অমসুং ৩১ চৎপদা গোল ২ অমগা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা অমালদা (বি)গী অমত্তা ঙাঁয়রবা গোল এন এল্লেননা মেটচকী মিনট ৩৩ চৎপদা চনখি।

# কর্ম্মনৱেল্‌ঠ গেমদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান কন্তিজেন্টগী মেম্বর অমদি ওফিসিয়েল গোল্ড কোষ্টতা থুংখ্রে

গোল্ড কোষ্ট, মার্চ ২৮ঃ মথং গী চয়োলদগী হৌগদৌরিবা কম্মনৱেলঠ গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী কন্তিজেন্টগী মেম্বর ২০০ রোম অমদি ওফিসিয়েলশিং গোল্ড কোষ্টতা থুংখ্রে। আইওএ না থাদোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়াগী কন্তিজেন্ট মেম্বর অসিদা এথলেটিক, বোক্সিং, বাস্কেটবোল, হোক্কি, লোন বোলিং অমদি সুটিংদা শরুক য়াগদৌরিনি।



# লিলোং চজিং মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা তোঙান তোঙানবা লীগ ৫ শান্নখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৮ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লিলোং চজিং য়ুথ কম্যুনিটি সেন্টর কম কলচরেল ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা ভোল্লিবোল টিম ১০না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা লিলোং চজিং ভোল্লিবোল কোর্টতা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ ৫দা কে ৱাই এল এস সি, ৱাই পি এ, বাখে অমদি এম পি এস সি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা কে ৱাই এল এস সিনা এল সি ৱাই সি সি সি আইবু সেট ৩–১ (২৫–২২, ২৫–২৭, ২৫–১৯, ২৫–২১) দা মায়থিবা পিখ্রে।

অনিশুবা মেটচতা ৱাই পি এনা আই জি ওবু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ১৬–২৫, ৩১–২৯, ২৫–১৮)দা মায়থিবা পিখ্রে।

অহুমশুবা মেটচতা বাখেনা এম আই কেঐচ ৱাই এবু সেট ৩–০ (২৫–১৯, ২৫–২১, ২৬–২৪) দা মায়থিবা পিখ্রে।

মরিশুবা মেটচতা ৱাই পি এনা এল সি ৱাই সি সি সি আইবু সেট ৩–২ (২১–২৫, ২৫–২৩, ২৭–২৫, ১৩–২৫, ১৫–৮) তা মায়থিবা পিখ্রে।

মঙাশুবা মেটচ অমদনা এম পি এস সিনা এম আই কেঐচ ৱাই এবু সেট ৩–০ (২৫–১৩, ২৫–১৫, ২৫–১৭)দা মায়থিবা পিখ্রে।

# সন্তোস ত্রোফিঃ গৌৱা এফটিনা পঞ্জাবপু অমদি করনাটাকানা মীজোরামবু মায়থিবা পীখ্রে



কোলকাতা , মার্চ ২৮ঃ ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী ওইবা খ্বাইদগী লিরবা অমদি মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সন্টোস ট্রোফি নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী মেটচ অমদা গৌৱা এফটিনা পঞ্জাবপু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী মেটচ অমদা করনাটাকানা মীজোরামবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

কোলকতাগী হাওরাদা লৈবা সাইলেন মনা ষ্টেদিয়মদা চথরিবা সন্টোস ট্রোফি ফুটবোল শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী মেটচ অমদা গৌৱা এফটিনা পঞ্জাবপু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা গৌৱা এফটিগী শান্নরোই পৈজোতেনা ২৫শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি ফরনান্দেস ভিনা ২৯শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা গোল স্কোরদা গৌৱা এফটিনা পঞ্জাবু গোল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকীনা ৫৯শুবা মিনটতা গৌৱা এফটিগী শান্নরোই দাইস এননা গোল ১ অমদি পেরৈরা এস না ৬৮শুবা মিনটতা গোল ১ চনশিন্দুনা গোল স্কোরদা গৌৱা এফটিনা পঞ্জাবপু ৪–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎলবা মতুং মেটচ অসিগী অরোইবা পুংজা হায়বদি ৯০ প্লস ৪ শুবা মিনটতা পঞ্জাবগী শান্নরোই সিংহ জিনা গোল ১ হন্দোকপা ঙমখি। মেটচ অসিদা পঞ্জাব গৌৱা এফটি গী মখুৎতা গোল ৪–১ দা মায়থিবা নঙখিবনি।

গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ করনাটাকানা মীজোরামবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফতা করনাটাকাগী শান্নরোই রাজেসনা ৭৪শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা মীজোরামবু মায়থিবা পীখিবনি।

| # | Group A | MP | W | D | L | G | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Kerala FC | 4 | 4 | 0 | 0 | 15:1 | 12 |
| 2. | West Bengal | 4 | 3 | 0 | 1 | 9:2 | 9 |
| 3. | Maharashtra | 4 | 2 | 0 | 2 | 10:11 | 6 |
| 4. | Chandigarh | 4 | 0 | 1 | 3 | 3:9 | 1 |
| 5. | Manipur | 4 | 0 | 1 | 3 | 3:17 | 1 |

| # | Group B | MP | W | D | L | G | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Mizoram | 4 | 3 | 0 | 1 | 10:3 | 9 |
| 2. | Karnataka | 4 | 3 | 0 | 1 | 8:4 | 9 |
| 3. | Goa FT | 4 | 2 | 0 | 2 | 12:9 | 6 |
| 4. | Punjab | 4 | 2 | 0 | 2 | 6:8 | 6 |
| 5. | Odisha | 4 | 0 | 0 | 4 | 3:15 | 0 |

# ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ক্রাউনা আর আর সি সিবু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে



ইম্ফাল , মার্চ ২৮ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্রাউ খম্নাম বজারনা আর আর সি সি চুরাচান্দপুরবু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মেটচ অসিদা আর আর সি সি চুরাচান্দপুরনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ৩৫গী মনুংদা ওভর ১৭.৪দা ওল আউৎ ওইরগা রন ৫২ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা ক্রাউ খম্নাম বজারনা বেট্টিং তৌবগা লোয়ননা ওভর ৫.১দা ৱিকেট ১ তুরগা রন ৫৩ স্কোর তৌরগা মেটচ অসি মায় পাকখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা আর আর সি সি খম্নাম বজারনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা ইলাননা বোল ২৪ মায়োক্লবদা রন ৭, মোননা বোল ৩দা রন ২, হাওমিন্থাংনা বোল ১৬তা রন ২, নেহখোলুননা বোল ১১দা রন ২ অমদি মোংনা বোল ১৪দা রন ১৪ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ক্রাউগী সোমিৎ দেভনা ওভর ৫দা ৱিকেট ২, প্রেমজিৎনা ওভর ৫দা ৱিকেট ১ অনিলনা ওভর ৫দা ৱিকেট ২ অমদি অজয়না ওভর ৩.৪দা ৱিকেট ৫ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ক্রাউনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা সোমিৎ দেভনা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ৫, অমিৎকুমারনা বোল ১৩দা রন ১৯ অমদি বিমোলনা বোল ৭তা রন ১২ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা আর আর সি সিগী থোংলেলপাউনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিদা ক্রাউ খম্নাম বজারগী অজয়না ওভর ৩.৪দা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং শান্নগদবা মেটচতা টি সি এম দি সি থোংজুগা য়ু সি সি উরিপোককা লম্বা তৌনরগনি।

# ৩৭শুবা জুনিয়র খো–খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮
## গুজরাট, অসাম, মহারাষ্ট্র, অন্ধ প্রদেশ, ছতিসগর, ত্রিপুরা, কোলহাপুর, চান্দিগর, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি করনাটাকা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল , মার্চ ২৮ঃ খো–খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, কেকেএফআই গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর এমেচর খো–খো এসোসিয়েসন এমএকেকেকেএ না শীন্দুনা খাঙবোক্কী বাসু গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩৭শুবা জুনিয়র খো–খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অয়ুক্কী মেটচশিংদা নুপাগীদা গুজরাটনা হারিয়াবু পোইন্ট ১৮–১০দা, অসামনা নাগালেন্দবু পোইন্ট ২৬–১০দা, মহারাষ্ট্রনা ছতিসগরবু পোইন্ট ১৯–৫দা, অন্ধ প্রদেশনা দিল্লিবু পোইন্ট ১৫–১৪ দা, ছতিসগরনা মধ্য প্রদেশপু পোইন্ট ১০–৮দা, ত্রিপুরানা বিহারবু পোইন্ট ১৯–১৭তা, কোলহাপুরনা চান্দিগরবু পোইন্ট ১৭–১১দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মধ্য ভারতপু পোইন্ট ২০–১৩ দা অমদি করনাটাকানা মণিপুবু পোইন্ট ১৪–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নুপীগীদনা মহারাষ্ট্রনা ছতিসগরবু পোইন্ট ২৮–২ দা অমদি কোলহাপুরনা ভিদর্ভাবু পোইন্ট ১২–৭তা মায়থিবা পীখ্রে।

নুংথিলগী মেটচশিংদা নুপামচাগীদা করনাটাকানা মধ্য প্রদেশপু পোইন্ট ২১–২, মহারাষ্টনা ত্রিপুরাবু পোইন্ট ১৬–২দা অমদি মধ্য ভারতনা ঐচ পিবু পোইন্ট ২১–৪দা মায়থিবা পীখ্রে।

নুপীমচাগীদনা ছতিসগরনা সিক্কিমবু পোইন্ট ১৩–৩দা মহারাষ্ট্রনা ত্রিপুরাবু পোইন্ট ২৮–১দা, গুজরাটনা বিহারবু পোইন্ট ২৯–১ দা, ওদিসানা ঐচ পিবু পোইন্ট ২৭–২ দা অমসুং গুজরাটনা ভিদর্ভাবু পোইন্ট ১০–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৩৭শুবা জুনিয়র খো–খো চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎকী বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা শান্নখিবা অয়ুক্কী মেটচশিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জদুমানিনা থৌরম মপু অমদি খো–খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরী, এমএস তিয়াগীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*